কন্ত্রেক্তর অমা কিদনেপ তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎসোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সগোলতোংবা মমাং লৈকায় এরিয়াদগী নুপা অমা মশক খঙদবা মীওই খরনা ফারগা পুখ্রে হায়রি। থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৫০ রোম তাবা মতমদা অলতো কার অঙাংবা অমদা লাকপা মীওই খরনা ফারগা পুখিবনি হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়, শকখঙদবশিংনা ফারগা পুখিবা নুপা অদুগী মমীং কোন্থৌজম দেবেন্দ্রো (৩৮) অপোকপা কে কুলচান্দ কৌই। মহাক কোন্থৌজম মখা লৈকায়দা লৈবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা থি-হুম্বগী থবক চথুরি অদুবু মীফা মীপুনগী পাউদি ফঙদ্রি।

শঙাই ফেষ্টিভেলগী ষ্টোল

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস):
শঙাই ফেষ্টিভেলদা ষ্টোল হাংনবগীদমক ওনলাইন্দা এপ্লিকেসন পীশিল্লকখিবশিংনা ইলিজিবল ওইরবা মীওইশিংগী লিষ্ট দিরেক্টোরেট ওফ ট্রেদ, কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী ৱেবসাইতগী খঙবা য়াগনি। অরোইবা ওইনা ষ্টোল হাংনবগী অয়াবা পীরবা মীওইশিংগী লিষ্ট নবেম্বর ১২ দা লাউথোক্কনি হায়না মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৮ গী ইগজিবিসন সব-কম্মিটিগী কনভিনরসু ওইরিবা ট্রেদ, কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী দিরেক্টর সী অর্থর ৱোরচুইয়োনা ফোঙদোরক্লি।

তরুক ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা ন্যু চেক্কোন কৈথেলদা থিবা-হুম্বা চথবদা মীওই তরুক ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, হৌজিক তোঙান তোঙানবা ফেষ্টিভেল চথরিঙৈগী মনুংদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দো টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.০৫ অমদি পুং ৪.৪০ ফাওবা থিবা হুম্বা চথখ্রে। মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই ৭৪ রোম লম্বীদা পরেং শানা লেপহন্দুনা অমমম ওইনা ৱাহং পাউহং চথখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই তরুক খনগৎলগা অতৈদি লোইনা থাদোকখি। মীওই তরুক অদু মশাগী শক্তাকচে অমত্তা ফাওবা পুথোকপা ঙমদবদগী মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসন দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অহলশিংদা তেঙবাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক ককচিংদা লৈবা ওল্ড এজগী রেসিদেন্সিএল হোমদা সিরোই লিলি গ্লোবেল ফেমিলি আটচঅপ গ্রুপনা নিংঙোল চাক্লৌবা থৌরমগা মরী লৈননা হোম অসিদা লৈরিবা মখোয়গীনি হায়বদা কনা লৈজদ্রবা অমদি মচা-মশুশিংনা হন্না য়েংবীদ্রবা মরাইবক থিরবা অহলশিংদা চৎতুনা ঙমজবা খূদোল তমখ্রে হায়রি।

হোম অসিদা হৌজিক বংলাদেশকী সিলটতগী শোল্লবী নুপী অমা য়াওনা শিংদা, খুরাই, সগোলবন্দ, নোংপোক ককচিং, নোংদমদগী পুন্না নুপা মরি অমদি নুপী তরেৎ হৌজিক হৌজিক শৈদাংদুনা লৈহৌরি। মখোয়গীনি হায়বদা কনামত্তা লৈজদ্রবী, অপোকপা মচানা হন্না য়েংবীদ্রবা অমদি মচা-মশুনা ইন্থোকপীরক্লবা ঙাক্তনি। ৱাটচঅপ গ্রুপ অসিগী মীওইশিংনা নুংশিরবা অহলশিং অদুগা হকথেংননা উনরকপদা মমীৎতগী মপি তানা কপ্লদুনা য়াম্না থম্মোয় শোক্লা মখোয়গী মরিক চুম্বা পাউদম কয়া তম্লকখি। লোয়ননা গ্রুপ অসিনা ঙম্বা খরা খুদোল তমজবদা পেন্দুনা মখোল থোক্লা কপ্লকপা য়াওরকখি।

হোম অদুদা লৈরিবা অহল অমনা ফোঙদোরকপদা, মহাক্লা পাঙ্গল কল্লিঙৈ মতমদা মখোয়দবু মী ওইরবদি হায়দুনা চারা নাম্মা চারগা মখোয়গীদমক হোৎনরকখি। পাঙ্গল শোল্লবা মীৎকুপসিদা হন্না য়েংবিরক্তবা, তাথি তাওইনা তৌবিরকপদগী খাঙবা ঙমদবদগী হোম অসিদা লাকখিবনি। ইচাশিংনা কৌবা লাক্লবসু অমুক হন্না চৎলরোই হায়খি। ৱাটচঅপ গ্রুপ অসিনা ব্লাঙ্কেট অমদি কম্বল ১১, ঙা কেজি ৪ হেন্না, অচা অথক খরা, হিদাক লাংথক অমদি শেল ওইনা লুপা চাম্মা/চাম্মা খুদোল তমখি হায়রি।

GAS NEWS

MAIBIA GAS, MOIRANG
SL.NO. 5331-6136
Book Upto: 23/08/2018
Valid From: 20/08/2018
Stk :612
Timing:06.00am to 10.00am

MANIPUR GAS SERVICE
Book Upto: 22/08/2018
Valid From: 14/08/2018
Stk :798
19Kg Stk =84
Timing:07.00am to 09.00am

ATHOKPAM INDANE
Book Upto: 11/09/2018
Valid From: 24/08/2018
Stk : 612 (CTC)
Timing:06.30am to 10.00am
Delivery on 10.11.2018

ঙাগী মেলাদা ঙাথোক ৱাৎপগী মমি তারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):
কুমজা ২০২০ দগীদি মণিপুরনা মপান্দগী অমুক হন্না ঙা লৌদবা ওইরগনি হায়না ফিশরিজ মিনিষ্টর এন কাইসিনা ঙসি ফিশ ফ্যের কম ফিশ ক্রোপ কম্পিটিসনদা ফোঙদোকখ্রে।

ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ঙসি থাংমৈবন্দদা লৈবা এন সী সী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা ঙাগী মেলা হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ফিশরিজ মিনিষ্টর এন কাইসিনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর পীল্লকবসু য়াম্না মমিং চৎপা ইকায় খুম্নবা লমদম অমনি। মালেমদা ইন্দিয়াবু মশক তাক্লিবা লমদমনি। মীপূম খূদিংমক্তা শেম্বীবা মপূনা খূদোল তৌরকখ্রবা লমদম অমসুনি। ঙাগী ওইনসু পোখোক য়াম্না পুথোকপা য়াগদবা মফমনি। ঙামীশিংবু য়োকখৎতুনা মমিং চৎপা ফিশরিজ দিপার্টমেন্ট ওইহনসি।

মহৌশানা পীথোরকপদা ঙা হায়বসিসু অমনি। অৱাংবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা হেন্না পুথোক্লবা হোৎনসি। চীংগী মফমশিংদসু পাকথোক-চাওথোক্লা ঙা পুথোক্লবা হোৎনরগনি। ঙামীশিংগী থবক থৌরমশিং হেনগৎহন্নবা হোৎনগনি। মসিদা মতেং পাংদুনা পোখোক হেনগৎনবা হোৎনসি। হীরমসিদা করি পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর বিদ্যারানী অয়েকপমনা হায়খি, মণিপুরগী ওইনা চহী ১ দা ঙা মেট্রিক টোন ৫২ চঙই। হৌজিক পুথোক্লিবসি মেট্রিক টোন ৩২ রোমতনি। কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা ঙাগী পোত্থোক ষ্টেট অসিগী কোন্নজবা ঙম্ন বা পান্দম থল্লিবা অসিদা ঙামীশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবা সী এ য়ুদগী অনৌবা টেক্নোলোজি লৌরগা থবক পায়খৎনবসু খন্নরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রো. এম প্রেমজিৎ; ফিশরিজগী এ ও, এন রাজেন; এদিসনেল দিরেক্টর ফিশরিজ খামসিংসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

মমাংদা ঙামীশিংনা ঙা মেলাদা ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকীদমক শেম শাদুনা পুথোক্লিবা ঙাশিংগী মশক্কা হন্দক্কী ঙা মেলা অসিগা অসুক্কী মতিক খেন্নবা উরে। ঙা য়োনবগী চাংসু ৱাৎলে। ঙাগী পোত্থোক্তা হন্থবতা নৎতনা ঙা মেলাগী ফজবা মহাও অদু মীয়াম্না ফংবা ঙমদবগী চাওনা মমি তারি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

‘ডো. গোভরধন অনা লায়েংদা কখোল্লক্সা মীওইনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):
ডো. থোকচোম গোভরধন অনা-লায়েংগী লম্দা কখোল্লক্সা অমদি তুংগী শান্না উবা ঙম্বা মীওই অমনি হায়না এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ঙসি নিংথৌখোং প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা নৌনা শাবা মণিপুরগী অহানবা ডোক্টর থোকচোম গোভরধনগী মীতম মায়খুম হাংদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থোকচোম গোভরধন সিংহ মেমোরিএল ফাউন্দেসন ঘরি মখা লৈকায় ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়খি, লৈখিদ্রবা ডো. গোভরধননা ডোক্টর অমা ওইনা মীওইবগী অনা-লায়েংগীদমক কখোকপগা লোয়ননা হোৎনরমখি। মহাক্কী মীতম অসি জেনিমস নৎত্রগা রিমসকী কেম্পসতা থম্বনা হেন্না মতিক চাবা ওইগনি। মহাক্কী পোক্লফম নিংথৌখোংদা মীতম অসি খিল্লে। মায় পাক্লা থবক পাঙথোক্কে হায়রবদি পোক্লফম লমদম নীংশিংবা তাই। পোক্লফম লমদম নীংশিংলগা থবক তৌরবদি মায় পাকপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ডো. গোভরধনগা তিন্নরম্বা এল হেনৈ চুং কোমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ষ্টেট একাদেমি ওফ ট্রেনিংগী দিরেক্টর ও নবকিশ্বর, রিটাইয়র্দ প্রো. নোংমাইথেম তোম্বী অমদি নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন লাইশ্রম ইবুংঙোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। নিংথৌখোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডো. থোকচোম গোভরধনগী মীতম শাখিবা লাইশ্রম ফুলিন্দ্রোদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। ডো. থোকচোম গোভরধন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নিংথৌখোংদা পোকখি। মীতৈ মাইববু থাজনবা অমদি ডোক্টরগী শিনফমবু অমাঙবনি হায়না খন্নবা মতম অদুদা মহাক্লা মায় পাকপা ডোক্টর অমা ওইখিবগী শল্লপ্পা পূন্সি ৱারীসু প্রো. নোংমাইথেম তোম্বীনা পাউদমখি।

রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):
কামজোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী মনুং চনবা চছাদ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা এরিয়াদা লৈবা চহী ১৬ তা ঙাইরিবী মহৈরোয় নুপীমচা অমবু নুপী অঙাং লৈরবা নুপা অমনা ফন্নানবীরম্বগী মতাংদা কামজোং এসোসিএট শানাওলোংনা শীন্দুনা য়ানিংদবা খোঙচৎ অমা ঙসি কামজোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা চৎখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা নুপা অদুগী মমীং রাময়াং (২৫) অপোকপা জোসেফ কৈসিং কৌই। মহাক কাংপাৎ খুনদা লৈবনি হায়রি।

অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ ...

লামায় ১গী মখা... কবোৱাকচিংদা লৈবা সুগর ফেক্তরিগী কমপ্লেক্স মনুংদা দ্যুটি তাবা সিক্যুরিটিগী মখুত্তা পার্টি অসিগী লুচিং পুরেল আর কে টুলাচন্দ্র এলিয়স লোয়াতাবা লৈখিদবা থৌদোক লোয়ননা লৈবাক্কী মাঙখিবা নীংতম্বা হঞ্জন্নবা লিশাং শিংনা চথরক্লিবা নীংতম য়াওল লাম্থেং অসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংবু নীংশিংদুনা কুমজা ১৯৭৯গী নবেম্বর ১২দগী রেদ আর্মি - প্রিপাকনা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা *অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ* হন্দকসু লাক্লিবা নবেম্বর ১২, নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা মখল অমত্তগী হরাও কুম্হৈ তৌবীগনু। নুমিৎ অসিগী নুমিদাংদা য়ূমথোঙ খূদিংদা মৈরা কৎপীয়ু অমদি লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী নীংশিং খূভমদা মৈরা কৎপীননবা ইরৈবাকচাশিংদা নোল্লুকচরি।

ইন্দিয়ানা দেমোক্রেসিগী মরুমদা ঙসি ফাওবা চহী ৬৯ চুপ্পা কংলৈ মীয়াম্বু শুদৎ-নৈহৎপীদুনা হিংবগী মহাও য়াওহন্দনা মীনাই-নাইথাংগী পুন্সিরোলদা নমশিন্দুনা থম্বীরি। ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিদি করপসন, অরানবা তৌবনা খুৎলিংবা, অচুম্বা ৱায়েল লৈতবা, মরাল লৈতবা মীবু হাৎপনি। মীওই খুজোক খরতগী নীংতম্বনি, তোল্ল-তারবা মীয়ামগী ওইবা নীংতম্বা নত্তে। নোংমদি মচেৎ কয়া থোক্লা কায়বা হায়বসি শোইদ্রবনি। হৌজিক ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা ঈরাং লৈতবা করম্বা ষ্টেটপু য়াওরিবগে? কাশ্মির, পঞ্জাব, বিহার, ঝরখন্দ, উত্তর প্রদেশ, ওদিশা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, সাউথ ইন্দিয়া অমদি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা মরৈবাক মনীংতম্বগী ঈহৌনা ইন্দিয়া পুম্বা বোম-নোংমৈগী মখোলনা নাকোং শিংজা য়ৈরি। ফিভমসিদা মরৈবাক নীংতম্বগী হৌরিবা ঈহৌশিং নোংমদি শুশোই-শোইদনা মায় পাক্লগনি হায়বসি তাকচরবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, য়ু এস আর্মিগী লেফটনেন্ট জেনরেল জোর্জ এস. পেটোননা কুমজা ১৯৪৪গী জুন ৫ দা মহাক্লা কম্মান্দ তৌরিবা থার্দ আর্মিনা *ওভর লোর্দ*হায়বা কোদ নেম অমা শীজিন্নরগা চথখিবা ওপরেসন অমদা এলাইদ ফোর্সকী শরুক অমা ওইনা ফ্রেঞ্চতা হিতলরগী নাজি ফোর্সকী মথক্তা লান্দাবা চৎলমদাইদা পীখিবা ৱারোল পনখিবা ৱাহৈ পরেং অমা নীংশিংবা য়াই মদুদি, *মীওই অমত্তনা লৈবাক্কীদমক শিরগা লান ঙমখিবা খক লৈত্রি, নহাক্কী য়েক্লবা অদুনা মরৈবাক্কীদমক শিহল্লগা নঙনা লান ঙম্বনি* হায়বা ৱাফম অসি য়াম্না অচুম্বা ৱাফম্মি। লান ঙম্বা হায়বসি অহিংবনা ঙম্বনি, অশিবা লাম্মীনা ঙম্বদি ঘোষ্টকী ফিল্মদতা থেংনগনি। মরম অদুনা ইরৈবাক্কী মাঙখিবা নীংতম্বা অমুক হঞ্জিনদ্রিফাওবা রেদ আর্মি প্রিপাকনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোইশিং অমদি ইন্দিয়ন ফোর্সকী মথক্তা হনবা লৈতনা মখল কয়াগী য়াওল লাম্থেং চথখিগনি।

য়ু এন ওনা পীরিবা হিংবগী হক (রাইট টু সেল্ফ দিটরমিনেসন) অদু লোইমী ওইরিবা ঐখোয়গী মীয়ামদা লোইনমক লৈজবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ঐখোয়না ফংফম থোকপা হিংবগী হক অদু ইশানা ফংজদুনা ইরোমদোম লৈঙাকচবা য়াই হায়বসি য়ু এন চার্টর কয়াদা ময়েক শেংনা ইরি। কংলৈপাক অসি তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী তোঙান তোঙানবা লোল, ময়েক, নাৎ, চৎনবী অমদি কলচরেল আইদেন্টিটি লৈজবা ফুরুপ কয়ানা পুশিল্লগা লৈবা লমদম অমনি। অদুবু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্তোবর ১৫ দা ইন্দিয়ানা নম্ফুদা লৌশিনখিবনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী মাঙখিবা নীংতম্বা অদু হঞ্জিনজগে হায়বদা মালেমগী লৈবাক অমত্তনা মসিগী মায়োক্তা লৈফম থোক্তে। মালেমদা লোইলম শন্দোকপা লম করম্বা লৈবাকশিংনা খুদুম চনশিনবিদুনা লোইলম ওইনা থল্লম্বা লৈবাক কয়া অমুক নৌহৌননা নীংতম্বা ফংখিবগী ৱারী কয়া নীংশিংবা য়াই। খুদম খরদং পল্লবদা নমিবিয়ানা সাউথ অফ্রিকাদগী কুমজা ১৯৯০গী মার্চ ২১ দা নীংতমখি। মার্সেল আইলেন্দনা য়ু এসতগী কুমজা ১৯৯১ গী সেপ্টেম্বর ১৭ তা নীংতমখি। হান্না কেরোলিন আইলেন্দ মিকোনেসিয়াসু য়ু এসতগী চহীদুমক্কী নুমিৎতুমক্তদা নীংতমখি। কুমজা ১৯৯৩গী মে ২৫ তা ইথিওপিয়াগী ইরিট্রিয়া নীংতম্বা ফংখি। য়ু এসনা লৈঙাকপা ট্রষ্ট টেরিটরি ওফ পেসিফিক আইলেন্দ পলাউসু কুমজা ১৯৯৪গী ওক্তোবর ১ দা নীংতম্বা ফংখি। কুমজা ২০০৮গী ফেব্রুৱারি ১৭ তা কোসোভোনা অমুক সর্ভিয়াদগী নীংতম্বা ফংখি। কুমজা ২০১১গী জুলাই ৯ তা সাউথ সুদাননা সুদানদগী নীংতম্বা ফংখি। মসিদা নত্তে, ২০ শুবা চহীগী লোইরকপা দিকেদ খক্তদা মালেমদা নীংতম্বা লৈবাক ২৮ থোরকখি। য়ু এস এস আর কায়বদগী নীংতম্বা লৈবাক ১৫ থোরকখি। য়ুগোস্লোভিয়া কায়বদা তোঙানবা সোভরেন অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট লৈবাক ৫ থোরকখি। মতৌ অসুম্না হৌজিক হৌজিক সিরিয়া, অরাব অমসুং অফ্রিকাগী লৈবাক কয়াদা ইন্টরনেল কনফ্লিক্ট মরাং কায়না লৈরি। লোইচনশিনবীরবা মালেমগী লৈবাক কয়া মরৈবাক নীংতম্নবগী য়াওল লান কয়া মথং-মথং থোরকখিগনি। অদুনদি ঐখোয় ইরমদমগী মীয়াম হুপ্পা অপুনবা নীংতম্বা য়াওল লাম্থেং অমা চথদুনা মাঙখিবা ইমা লৈবাক্কী নীংতম্বা অমুক হন্না হঞ্জিনহন্দুনা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা নুংঙাই য়াইফবা নীংতম্বা চাওখৎপা মান্নবা খুন্নাই অমা শেন্নসি।

অরোইবদা, লাক্লিবা নবেম্বর ১২দা পাঙথোক্কদৌরিবা *অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ*না লাকপসিদা নীংতম য়াওল ঈহৌ অসিগীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবী পুম্নমক্তা রেদ আর্মি প্রিপাকনা ইকোক নোন্না ইকাই খুম্নবা উৎচরি অমদি মখোয়গী থৱায়না ঈংনা চিক্লা য়াতাবা ওইরসনু হায়নসু প্রিপাককী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘অৱা-অনা থিদনা মীয়ামগী ...

লামায় ১গী মখা... লৌরিবা এম এস টিগী ষ্টাফশিংবু থাগৎলি। মখোয়না মতম চানা অমসুং চেকশিন্না মীয়ামগী থবক তৌবগীদমক অতেনবা মতমদা নেসনলগী থাক্তা এৱার্দ ফংলকপা অসি অচৌবা মায় পাকপা অমনি। লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী অমা ওইনা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা মীয়ামগী থবক তৌবদা অৱা-অনা থিদনা হোৎনগদবনি। মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টনা য়ৌবা ঙমদবা অতোপ্পা ৱাৎহৌরিবা মফমশিং মেনখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম, এম এল এ দিঙ্গো, ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর সী অর্থর ৱোরচুইয়ো অমদি কম্মিস্নর এম লক্ষ্মীকুমারসু শরুক য়াখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা কম্মেন্দেবল ইনিসিএটিব এৱার্দকী ট্রোফি অমদি সর্টিফিকেট কম্মিস্নর (ট্রান্সপোর্ট) এম লক্ষ্মীকুমার অমদি দিরেক্টর (ট্রান্সপোর্ট) সী অর্থর ৱোরচুইয়োদা খূৎশিন্নখি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১৭কী জুন ২৫ দা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এম এস টি অসি রিভাইভ তৌখিবনি। ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরবা মতুংদা থবক পায়খৎপা হৌখি। চহীসিগী ওক্তোবর ২৪ দা চীফ মিনিষ্টরনা অনৌবা রুট ৭ তা এম এস টি বস সর্ভিস তৌনবা ফ্লেগ ওফ তৌখি। রুটশিং অদুদি ইম্ফাল-জেসামি, ইম্ফাল-খৌপুম, ইম্ফাল-নুংবা, ইম্ফাল-কামজোং, ইম্ফাল-তমেংলোং, ইম্ফাল-তামৈ অমদি এয়রপোর্ট এক্সপ্রেসনি। এম এস টিনা চহীসিগী ওক্তোবর ২০ ফাওবদা রেভিন্যু ওইনা লুপা ১,৬৩,৪২,৫৯৬ তানবা ঙমখি হায়নসু মখা তারি।

‘ইরমদমগী পোত্থোক শীজিন্নদুনা...

লামায় ১গী মখা... দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী হৌনা চথরকখিবা মনিটেক্সকী মনুং চন্না ঙসি পাঙথোকখিবা এপ্পরেল এন্দ গার্মেন্ট দেগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয়না মপান লমগী ফিরোলশিং অমদি পোত্থোকশিং শীজিন্নবনা মপান লমদা য়াল্লবা শেনফমশিং চৎলি। লমদমসিদা পুথোকচবা ফিরোল য়াওনা পোত্থোক কয়া ঐখোয়না শীজিন্নরবদি মপান লমদা চৎখিগদবা শেনফম কয়া কনবা ঙমগনি। য়ারিবমখৈ লমদমসিগী পোত্থোক শীজিন্ননবা ঐখোয় খূদিংমক্লা হোৎনমিন্নবা চঙই। চীনদনা লমদমসিদা পুথোকপা ফিরোল শীজিন্নসি হায়রগা মপান লমদগী পুশিল্লকপা ফিরোলশিং শীজিন্নদুনা লৈরবদি এক্সপো অসি পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈরোই।

মণিপুরদা লৈরিবা ফিশাবীশিংনা মখল কয়াগী ফিরোলশিং পুথোক্লি। এক্সপো অসি পাঙথোক্লগা ফিশাকোননচিংবা য়েন্থোক্লিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। মথংগী এক্সপোগী মাংওইননা পোত্থোক পুথোকপগী চাং অমদি মীওই কয়া য়াম্না থবক পীখ্রবগে হায়বগী রিপোর্ট কার্দনচিংবা শেম্বা তঙাইফদে। শেল-থুমগী ফীভম ফগৎলবা মতমদা খুন্নাই অসিদা চাউখৎপা পুরক্কনি। মণিপুরগী নুপীশিংগী শেন মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবদা হেন্দলূমগী সেক্টর অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি।

চাইনানা ৱর্ল্ডগী মার্কেটতা য়াম্না মরুওইবা মফম কনবা ঙম্মী। মার্কেটকী দিমান্দ অসি খঙনা পোত্থোকশিং পুথোকপা তঙাইফদে। ষ্টেট অসিদা এদ্যুকেসন অমদি হোম দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা শেৎলিবা য়ুনিফোর্ম অসি লমদমসিদা পুথোকচবা ফিনা তুরবদি য়াম্না কান্নগনি। হৌজিক শীজিন্নরিবা য়ুনিফোর্মগী ফি অসি মপান লমদগী পুশিল্লকপনা অয়াম্বনি। মসি করম্বা ক্বালিটিদা শারকপনো হায়বদু ফি পুথোক্লিবা মফম অদুদা মীহুৎশিং থাদুনা য়েংহল্লগা ট্রেনিংনচিংবা পীরবা তুংদা ক্বালিটি লৈবা ফি অদু লমদমসিদা পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই। লমদমসিদা পুথোক্তুনা য়ুনিফোর্মশিং অসি শীজিন্নরবদি শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি। অসিগুম্বা থবক থৌরাংশিং পায়খৎলকপদা প্লান্নিং হায়বসি য়াম্না মরু ওই। ঐখোয়না নোংমগী মনুংদা শীজিন্নরিবা ফিরোলশিং অসিগী মনুংদা মপান লমদগী পুশিল্লকপা কয়া য়াম্না শীজিন্নে অমদি লমদমসিদা পুথোকপনা কয়া য়াম্না শীজিন্নে হায়বসি য়েংবা তঙাইফদে। ঐখোয়গী পোত্থোক শীজিন্নবগী হৈনবী লৈত্রবদি চাউখৎপা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন এস রাজেননা হায়খি, ফিশাবীশিংনা পুথোক্লিবা ফিশিং মার্কেট তৌফম লৈগনি। এক্সপো অসি পাঙথোকপনা ফিশাবীশিংগী মরক্তা ৱাখল লৌশিং তাথোক-তাশিন তৌবগী খূদোংচাবা লৈগনি। লমদমসিদা লৈরিবা ওফিসশিংদা শীজিন্নরিবা টেবল ফিদা অমদি ফি মখল কয়া অসি লমদমসিদা পুথোকচবা হেন্দলূমগী ফি শীজিন্নসি। স্কুল য়ুনিফোর্মসু লমদমসিগী হেন্দলূমগী ফিনা শীজিন্নরবদি লমদমসিগী ওইনা য়াম্না কান্নবা লৈগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ খাশিম ভাসুম অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (টি সী এন্দ আই) পি ভাইফৈসু গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলগী দিরেক্টর লন্সি কামৈ, মুতুৱা ম্যুজিয়মগী দিরেক্টর মুতুৱা বহাদুর, জারা ফেশনগী দিজাইনর ঙাংবম বসন্ত, ৱিমেন্স ৱোর্থ ওর্গনাইজেসনগী এন জি বিমোলাতা, রাজেন দ্রেসেসকী প্রোপাইটর পুখ্রম্বম ৱোজেন অমদি লিট্টল এঞ্জেলসকী প্রোপাইটর দোমিনিকসু দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুগী মনুংদা কে বি ফিলানথ্রোফি অমদি ৱিমেন ৱোর্থ ওর্গনাইজেসনগী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট অমসু খূৎয়েক পীনখি। ৱিমেন ৱোর্থ ওর্গনাইজেসন অমদি মণিপুর হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী মরক্তসু মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্কুল য়ুনিফোর্ম, ফুরিৎ লোঞ্চ তৌখি। থৌরম অদুগী মাংওইননা রিছোর্স পার্সন কয়ানা এপ্পরেল এন্দ গার্মেন্টকী মতাংদা ৱাফম কয়াসু থমখি।

নিংঙোল চাক্লৌবা কুম্হৈগী মাঙওইননা ঙারি গলিদা দ্রাইভ চথখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস):
নিংঙোল চাক্লৌবা কুম্হৈগী মাঙওইননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসন, ইম্ফাল ৱেষ্টনা চথরকপা দ্রাইভকী মনুং চন্না ঙসিসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ঙারি গলিদা দ্রাইভ চথখ্রে।

দ্রাইভ অসিগী শরুক অমা ওইনা টিম অসিনা ইম্পালগী লমলোং কৈথেল, কোনুং মমাঙ, ৱাংখৈ মৈহৌবম লম্পাক, শীংজমৈ কৈথেলদা য়োল্লম্বা অমসুং খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী ফিস ষ্টোর রুমদা থল্লম্বা মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাশিংদা মীওইবগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা ফোর্মেলিন য়াওব্রা হায়বদু টেষ্ট তৌখি। মসিগীসু মথক্তা মোরেরোমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিংসু টেষ্ট তৌখি।

ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী টিম অদুনা হায়রিবা মফমশিং অদুদা য়োল্লম্বা ঙা মখলশিং অদু আই সী এ আর-সী আই এফ টি কেরলাদা শাবা রেপিদ ফোর্মেলিন ষ্টেট কিট শীজিন্নদুনা ফোর্মেলিন য়াওব্রা হায়বদু ষ্টেট তৌখি। ফোর্মেলিন য়াওবগী চপ চাবা খুদম চাংদম অমত্তা ফংখিদে হায়রি।

দ্রাইভ অদুগা মরী লৈননা ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিজিগনেটেদ ওফিসর ৱাই সাইত্যজিৎনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা নিংঙোল চাক্লৌবা অমসুং দিৱালি কুম্হৈগা মরী লৈননা চান-থক্লবা পোৎলমশিংদা লোনা য়াদবা পোৎয়ান তৌদুনা য়োনব্রা হায়বনচিংবা য়েংশিনবা ওইনা ফুদ সেফটি ইনফোর্সমেন্ট টিম ইম্ফাল ৱেষ্টনা দ্রাইভ অসি চথবনি। দ্রাইভ অসিদা মফম কয়াদা য়োল্লিবা মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা মখলশিং টেষ্ট তৌরি। লোয়ননা লফোইশিংদা হকচাং শোকনিঙাই ওইবা কেমিকেল য়াওব্রা হায়নসু টেষ্ট তৌবদা হায়রিবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেল য়াওবা থেংনখিদে।

ঙারি গলিদা দ্রাইভ চথবা মতমদা লোনা থিংখ্রবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা টোবেকো অমসুং নিকোটিন য়াওবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োনবা থেংনখি। লুপা লিশিং ৪০ মুক্কী ভেল্যু ওইগদবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙম্লে। মখা তানা কনাগুম্বনা য়োনবা থেংনরবসু ফুদ সেফটি ইনফোর্সমেন্ট ৱিং ইম্ফাল ৱেষ্টতা পাউ পীবিয়ু হায়খি।

দ্রাইভ অদু ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিজিগনেটেদ ওফিসর ৱাই সাইত্যজিৎ, ফুদ সেফটি ওফিসর নেলসন পুরনালি, নোংঙালৈ অমসুং ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটরি লম্ফেলগী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াদুনা চথখিবনি হায়রি।

রিজনেল সারস ফ্যের ২০১৮ লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মীসন (এম এস আর এল এম) দিপার্টমেন্ট ওফ আর দি এন্দ পি আরনা শীন্দুনা হৌখিবা ওক্তোবর ৩০ দগী হৌরগা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরকখিবা রিজনেল সারস ফ্যের ২০১৮ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা স্পোন্সর তৌরগা পাঙথোকখিবা রিজনেল সারস ফ্যের ২০১৮ লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মীসনগী ষ্টেট মীসন দিরেক্তর য়ুম্নাম রোবিতানা চীফ গেষ্ট, এম এন্দ ঈ, এম আই এসকী ষ্টেট মীসন মেনেজর গুরুময়ুম কবিতানা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং আই বি এন্দ সী বিগী ষ্টেট মীসন মেনেজর লোইতোংবম বিনোতানা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি লোয়শিনখিবা রিজনেল সারস ফ্যের ২০১৮ অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ১৪৬ না শরুক য়াখি। ফ্যের অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টোল কয়া হাংদুনা হেন্দিক্রাফট, হেন্দলুম, এগ্রি-হোর্টি এন্দ এল্লাইদকী প্রদক্টশিংসু দিসপ্লে তৌখি।

গভর্ণর, সী এম য়াওনা নিংঙোল ...

লামায় ১গী মখা... ওইবশিংগা মচা ওইবশিংগগী মরক্তসু নুংশিবগী মরী অদু চেৎশিনহনবা অসিগুম্বা নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা খুন্নাইগী য়ুনিটি অমদি ইন্টিগ্রিটিদসু মতেং ওই। ময়ূম পানখ্রবী নুপীশিংনা অপোকপা-অপোকপীগী য়ূমদা লাক্কুনা চামিন-থকমিন্নবগা লোয়ননা নুংশিবগী শক্তম উৎতুনা ঙমজবা খূদোল তম্মী। ফেষ্টিবেল অসি অচুম্বা মায়কৈদা পাঙথোক্তুনা লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপশিংসু অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নবগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা নিংঙোল চাক্লৌবগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা মণিপুর মীয়াম মরুওইনা নিংঙোলশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি। নিংঙোল চাক্লৌবা হায়বসি মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্হৈশিংগী মনুংদা অমনি। হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা পাঙথোক্লিবা নিংঙোল চাক্লৌবনা মচিন-মনাও অনীগী মরক্তা নুংশিবগী মরী অদু শাগৎলি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা অসিগুম্বা কুম্হৈ অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নিংঙোল চাক্লৌবনা নুংশি-চান্নবগী পাউজেল শন্দোকপদা মরুওইবা থৌদাং অমসু লৌরি। নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা থাদোরকপা নিংঙোল চাক্লৌবগী য়াইফ পাউজেল পীবা চেরোল অমনা হায়, হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা চহী খূদিংগী পাঙথোক্লিবা নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা ষ্টেট অসিগী নিংঙোলশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি। নিংঙোল চাক্লৌবা অসি নিংঙোলশিংগী মরুওইনা নুমিৎনি। ময়ূম পানখ্রবী নুপীশিংনা অপোকপা-অপোকপীগী য়ূমদা লাক্কুনা মচিন-মৌপ্পাশিংগা লোয়ননা চাকলেন চামিন্নে। অসিগুম্বা কুম্হৈ অসিনা খুন্নাই অসিগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি শাগৎপদসু মতেং পাংই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নেমচা কিপজেননা নিংঙোল চাক্লৌবগী য়াইফ পাউজেল পীবা চেরোল অমনা হায়, নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা লমদমসিগী নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি। ঙসিদি কুম্হৈ অসি তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়াসু শরুক য়ারি। মসিনা ষ্টেট অসিগী য়ুনিটি অমদি দাইভর্সিটিদা য়াম্না মরুওইবা অমসু ওইরি। ফেষ্টিবেল অসি লাকপনা মণিপুরগী নুপীশিংদা ইম্পাৱরমেন্ট পীবা অমদি ভাইওলেন্স মায়োক্নদবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনা থাদোরকপা নিংঙোল চাক্লৌবগী য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা কুম্হৈ অসিবু শরুক য়ারিবা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। য়ূম্নাক ওনখ্রবী, শাগৈ লান্না চৎখ্রবী মচে-মচল নিংঙোল ওইবীশিংবু মমা-মপা অমদি মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনা চাক্লৌদুনা মথেল-লুকোই চামিন্নবা অমদি নিংঙোলশিংনসু মবুং-মৌপ্পাশিংদা য়াইফ থৌজাল পীবগী থৌরম নিংঙোল চাক্লৌবা হয়েং থোক্লে। থৌরমসিনা নিংঙোল ওইবী নুপীশিংবু খুন্নাইগী অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপা অমদি ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা লুনা-চানা তৌবা, অমত্তা ওইবগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন মীয়ামদা ময়েক শেংনা পীরি। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা হাৎন-শুনবা কয়া থাদোক্তুনা চাউখৎপগী লম্বীদা হেন্না খুমাং চাউশিনবা, ঈং-তপ্পা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এম এল এ গাইখাঙমনা থাদোরকপা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। শাগৈ লান্না চৎখ্রবী মচে-মচলশিংবু মবুং-মৌপ্পানা চাক কৌদুনা চামিন্নবা নিংঙোল চাক্লৌবগী কুম্হৈ হয়েং থোক্লে। মীতৈ খুন্নাইনা চহী চা কয়াগী মমাংদগী চৎনবী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা নিংঙোল চাক্লৌবা নুমিৎ অসিদা মবুং-মৌপ্পাশিংগা চামিন-থকমিন্নদুনা ঙমজবা খূদোল তমদুনা নুংশিনবগী লীপূন চেৎনা পুন্দুনা ইমুং-মনুংগী নুংশিবা হাপ্লিবা থৌরমনি ঙসিদি। চীংগী নিংঙোল কয়াসু তমগী মবুং-মৌপ্পাশিংনা চাক কৌদুনা চীংমী-তম্মী অনীগী নুংশিবা মরী চেৎশিনহনবা অমদি নুংশিনবগী লীপূননা পূনবা থৌরম ওইরে। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা হাৎন-শুনবা থাদোক্তুনা চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাং চাউশিনবা য়াইফবা লমদম ওইরসনু হায়নসু পাউজেল চেরোল অদুনা মখা তারি।

মরকসিদা, লোক জন শক্তি পার্টি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ৱাঙাংলোয় এন ইবোহলনা থাদোরকপা নিংঙোল চাক্লৌবগী য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী লৈমায়দা খুন্দা লৈতাদুনা খুনশেম-লৈশেম্লিবা ইরৈচা পূম্নমক্তা য়েলহৌঙৈদগী চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ফীদম্লিংঙাই ওইরবা নিংঙোল চাক্লৌবা কুম্হৈনা লাকপদা কংলৈ ইচে-ইচলশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি। নুংশি-চান্নবদা য়ুম্ফম ওইবা নিংঙোল চাক্লৌবগী নুমিৎ অসিদা কংলৈচা পূম্নমক্কী থম্মোয়দা ফাওরিবা নুংশিনবগী ঈথিল অসি মতম চুপ্পদা লেংদনা লৈহন্দুনা থৌদোক-ৱাথোক্লা থল্লবা খুন্নাই অসি ঈং-তপ্পা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না থাদোরকপা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা নিংঙোল ওইবীশিংনা মতম কুইনা উনবা ফংদ্রবা মবুং-মৌপ্পাশিংগা লোয়ননা হরাও-তয়াম্না ঙমজবা খূদোলপোৎ মচে-মচলশিংদা পীদুনা পূন্না চাকলেন চামিন্নবা নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা এম পি পিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীরি। মবুং-মৌপ্পাগা পূন্না চাকলেন চামিন্নবা থৌরমসি ইন্টরনেসনল দে ওফ নিংঙোল চাক্লৌবা হায়বা ৱাফম মালেমগী মফম খূদিংমক্তা লৈরিবা মীয়ামদসু পাঙথোকপীনবা আপিল তৌরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওঠোরিটিগী ভাইস চ্যেরপার্সন অদিম পামৈনসু নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়নসু মখা তারি।

মরকসিদা, হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবা থাচৎকা লোইনরক্লবা, শেংলবা থাক্তা থোক্লিবা নুমিৎনা পুরকপা *নিংঙোল* ওইবীশিংবু মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনা মচে-মচল ওইবগী মৈহৌরোলদগী শিন্নবীরক্লবা শেংলবা অমদি নুংশিরবা মবুং-মৌপ্পাগী মরীগী অচেৎপা ফিদাবু, ঙসিসু থম্মোইগী অচেৎপা কিশিনা ইপা-ইপুশিংনা শিন্নবীরকপা খুদোল অদুগী অচুম্বা মশক মচু অমুসং ময়াই অদুবু চাং তাহন্দনা পন্থৌগী মিংখৈ শোন দুনা পলেমগী খোল্লাং লমন শিংবগী অহিংবা লেংদ্রবা খুদম উৎলিবা নিংঙোল চাক্লৌবগী থৌরম, হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবা য়াইফরবা কোরৌ ইরাই নুমিৎ নবেম্বর ৯না লাকপদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দেভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি)না মালেমগী নিংঙোল ওইবীশিংগী শেংলবা ফিদা অসিবু থম্মোইগী পিনা চামজদুনা ইমাগী খোল্লাং লমন শিংবা শকচরগে হায়না য়াইফ পাউজেল পিজবগা লোয়ননা মালেমগী নিংঙোল ওইবী খূদিংমক অৱা হুইশোং লাংহনবীদবা ওইরসনু হায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা থম্মোই শেংনা পুনেমজরি।

POSTPONMENT OF
3rd TRAU LOTTERY, 2018

It is hereby informed that the 3rd **TRAU LOTTERY, 2018** which was scheduled to be held on 10th November, 2018 at Kwakeithel Bazar at 6.00 p.m. is postponed under Certain unavoidable circumstances. Further, informed that the same will be held on 12th January, 2019 (2nd Saturday) with Musical Night at the same venue and time.

Sd/- T. Phulen Meitei
General Secretary, TRAU

HL-B/4977/9